# ইম্ফাল ৱেষ্টকী কুনিসন তোনাম্বমনা ২৮শুবা ওল মণিপুর সুট্টিং কম্পিটিসনদা অনীরকশুবা ওইনা অনৌবা ষ্টেট রেকোর্দ থমখ্রে

*ইম্ফাল, জুন ১৫ঃ*

মণিপুর রাইফলস এসোসিয়েসননা শীন্দুনা খুমন লম্পাক্কী সুট্টিং রেঞ্জতা চথরিবা ২৮শুবা ওল মণিপুর সুট্টিং কম্পিটিসনগী ঙসি লোইশিনখিবা স্পোর্টস পিষ্টোল (এনআর) ২৫ মিটর জুনিয়র মেন্স ইন্দিভিজএল ইভেন্টতা ইম্ফাল ৱেষ্ট রাইফল এসোসিয়েসনগী কুনিসন তোনাম্বমনা পুন্না পোইন্ট ২৮১ কাপ্পুনা অনৌবা ষ্টেট রেকোর্দ থমখিবগা লোয়ননা কম্পিটিসন অসিদা মহাক্না অনীরকশুবা অনৌবা ষ্টেট রেকোর্দ থম্বা ঙমখ্রে।



*অনৌবা ষ্টেট রেকোর্দ অনী থম্বা ঙমখ্রবা কুনিসন তোনাম্বম*

কুনিসননা দিষ্ট্রিক্ট অসিমক্কী অজে সিংহ হুইদ্রোমনা মমাং চহিদা থম্লম্বা ষ্টেট রেকোর্দতগী পোইন্ট ৪ হেন্না কাপ্পুনা অনৌবা ষ্টেট রেকোর্দ থম্বা ঙমখিবনি।

কুনিসন নাগামাপাল পাওনম লৈকায়দা লৈবা টি হেমচন্দ্র অমসুং য়ুম্নাম সুরদানি অনীগী মচানুপানি। মহাক হৌজিক হৌজিক ককচিং খুনৌ কোলেজদা ফিজিকেল এদুকেসন দিপার্টমেন্টকী থার্দ সেমিষ্টর তম্লিবা মহৈরোইনি।

কুনিসননা ফোঙদোরকখিবদা মহাক্না অনৌবা ষ্টেট রেকোর্দ থম্বা ঙম্বসি য়াম্না নুংঙাই, মখা তানা হেন্না কন্না হোৎনদুনা নেসনেল অমদি ইন্টরনেসনেল কম্পিটিসনশিংদা অনৌবা রেকোর্দশিং থম্বা ঙম্মবা হোৎনগনি হায়খি।

ইভেন্ট অসিদা মমাং চহিগী রেকোর্দ থম্লম্বা ইম্ফাল ৱেষ্টকী অজে সিংহ হুইদ্রোমনা পুন্না পোইন্ট ২৭২ কাপ্পুনা অনীশুবা পোজিসন অমসুং জেএসআরআই পি এস কী জুপিটর অসেমনা পোইন্ট ২৪২ ফঙদুনা অহুমশুবা পোজিসন তাবা ঙমখ্রে।

অতোপ্পা ষ্টেন্দর্দ পিষ্টোল (এনআর) ২৫ মিটর মেন্স অমদি জুনিয়র মেন্স ইন্দিভিজ্যুএল ইভেন্টশিংদা অজে হুইদ্রোমনা পুন্না পোইন্ট ২৬৭ ফঙদুনা অহানবা পোজিসন অমসুং কুনিসন তোনাম্বমনা পুন্না পোইন্ট ২৬০ ফঙদুনা অনীশুবা পোজিসন তাবা ঙমখি।

ইভেন্ট অসিমক্কী মেন্স ইন্দিভিজ্যুএলগী ওইনা ইম্ফাল ইষ্টকী কবিব কথেরনা পুন্না পোইন্ট ২৫৭ ফঙদুনা অহুমশুবা অমসুং জুনিয়র কেতেগোরিদা জুপিটর অসেমনা পোইন্ট ২১৬ ফঙদুনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

অতোপ্পা তোঙান তোঙানবা ইভেন্ট অনীদা ইম্ফাল ইষ্টকী সুট্টর্স সিনাম করাঞ্জিৎ সিংহ অমসুং লৈমপোকপম ধিনাচন্দ্র সিংহ অনীনা .২২ রাইফল ওপন সাইত ষ্টেন্দর্দ রাইফল প্রোন ৫০ মিটর জুনিয়র মেন্স ইন্দিভিজ্যুএল অমসুং .২২ ষ্টেন্দর্দ পীষ্টোল / রিভোলবর ২৫ মিটর ইন্দিভিজ্যুএল ইভেন্টশিংদা অহানবা পোজিসনশিং তাখি।

# ভুসন অমসুং সুরথিনা চহি ১৪ মখাগী এআইটিএ সুপর সেরিজগী নুপা অমসুং নুপীমচাগী টাইটল লৌখ্রে

*ইম্ফাল, জুন ১৫ঃ*

মণিপুর টেন্নিস এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা ইম্ফাল দিষ্ট্রিক্ট টেন্নিস এসোসিয়েসননা শীন্দুনা তোঙান তোঙানবা মফম অনীদা চথরকপা চহি ১৪ মখাগী এআইটিএ সুপর সেরিজ ২০১৮ ঙসি লমফেল পাৎতা লৈবা ওফিসর ক্লব টেন্নিস কোর্টতা লোইশিনখিবগা লোয়ননা ষ্টেট অসিগী ভুসন হাওবম অমসুং হারিয়ানাগী সুরথি অলাৱাৎ অনীনা নুপা অমসুং নুপীমচাগী টাইটলশিং লৌখ্রে।

লমফেলদা লৈবা কেন্দ্র বিদ্যিলায়া–১ দা ক্লাস ৮ তম্লিবা ভুসন উরিপোক শোরবোন থিংঙেলদা লৈবা ঐচ জয়েন্ত অমসুং রতনা মায়েংবম অনীগী মচানুপানি।

ঙসি শান্নখিবা নুপামচাগী কাংলুপকী ফাইনেল মেটচতা ভুসননা ষ্টেট অসিগী শাগোলবন্দ খম্নাম বজারদগী হৌজিক হৌজিক সিসু নিষ্ঠা নিকেতন স্কাকৈথেলদা ক্লাস ৮ তম্লিবা বিকি শাগোলশেম্বু সেট ২–১ (৬–৭, ৬–০,৬–১) দা থোইদুনা কেতেগোরি অসিগী টাইটল লৌবা ঙমখিবনি।





*নুপামচা অমদি নুপীমচা কাংলুপকী ৱিন্নর ওইখ্রবা ভুসন (ওই) অমসুং সুরথি*

নুপীমচাগী সিঙ্গল ইভেন্টকী ফাইনেল মেটচতা হারিয়ানাগী অলাৱাৎ সুরথিনা ষ্টেট অসিগী নোংমৈকাপম চরমিবু সেট ৬–০, ৬–১ দা মায়থিবা পীরম্লগা নুপীমচা কাংলুপকী শিঙ্গল ইভেন্টকী ৱিন্নর ওইবা ঙমখিবনি।

সুরথি হারিয়ানাগী গুরগাউদা লৈবা স্কুল অমদা ক্লাস ৭ তম্লিবী ছাত্রিনি। হৌজিক হৌজিক এআইটিএ রিঙ্কিং ১দা লৈরিবী সুরথিনা মমাং চহি অমদি হন্দক চহিগী ওইনা নেপালদা পাঙথোকখিবা সাউথ এসিয়া চেম্পিয়ন্সিপ্তা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখ্রে।

মমাং চহিগী কাজকিস্থানদা পাঙথোকখিবা এসিয়ান টেন্নিস চেম্পিয়ন্সিপ্তা মরিশুবা পোজিসন ফঙবা ঙমখি। অদুগা চহি অসিগী সেটেম্বর থাদা কাজকিস্থানদা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ান চেম্পিয়ন্সিপ্তসু ইন্দিয়া রিপ্রজেন্ট তৌদুনা শরুক য়াগনি।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা নুপামচাগী দবলস ইভেন্টকী ফাইনেল মেটচতা ষ্টেট অসিগী শাগোলশেম বিকি অমসুং হাওবম ভুসন অনীগী জুরানা গাংগুলি অনরঘাগা অমসুং ওব্রাইন ৱাইট অনীগী জুরাবু সেট ৬–০, ৬–২ দা মায়থিবা পীরম্লগা নুপামচা দবলসকী ৱিন্নর ওইবা ঙমখ্রে।

নুপীমচাগী দবলস ইভেন্টকী ফাইনেলদা অরুনকুমার লক্ষমি অমসুং দুরগানসি অনীগী জুরানা পারিক পাবিত্রা অমসুং অহাৱাল সুরথি অনীগী জুরাবু সেট ৬–২, ২–৬, ১০–৪ দা মায়থিবা পীদুনা ৱিন্নর ওইবা ঙমখ্রে।

ঙসি লোইশিনখিবা টুর্নামেন্ট অসি থা অসিগী ১১দগী হৌদুনা নুপামচা ২৯ অমসুং নুপীমচা ২১ না শরুক য়াদুনা পাঙথোকরকখিবনি।

# মণিপুর প্রেমিয়র লীগ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট পাঙথোক্লগনি

*ইম্ফাল, জুন ১৫ঃ*

ষ্টেট অসিদা ক্রিকেট মশান্না অসিবু চাওখৎনবা অমসুং লমদম অসোমদগী অফবা ক্রিকেটর পুথোক্নুনা নেসনেল অমদি ইন্টরনেসনেল লেভেলদা শরুক য়াবা ঙম্নবগীদমক মণিপুর ক্রিকেট এসোসিয়েসননা শীন্দুনা চহি অসিগী ওক্টোবর অমসুং নভেম্বর থাদা মণিপুর প্রেমিয়র লীগ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট পাঙথোক্লগনি।

ৱাফম অসি শাগোলবন্দ কেন্দ্রগী এমএলএ অমসুং মণিপুর ক্রিকেট এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট ফমসু পুরিবা আর কে ইমোগী শঙলেনদা ঙসি অয়ুক লৈবাকসিগী স্পোর্টস মেনেজমেন্ট কম্পোনেন্ট অমা ওইরিবা ন্যু দিল্লিদা লৈবা মেগাকোন কম্মুনিকেসন প্রাইভেট লিমিটেদকী এজকেটিব দাইরেক্টর রঞ্জিব কুমার অনীনা য়ানা চেরোল অমনা খুৎয়েক পীনরবা মতুং প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

ঙসি পাঙথোকখিবা য়ান্না চেরোল খুৎয়েক পীনখিবগী থৌরম অদুদা মণিপুর ক্রিকেট এসোসিয়েসনগী ভাইস প্রসিদেন্ট চোংথাম চাওবা সিংহ, এসোসিয়েসন অসিগী লিগেল এদভাইজর নাওরেম উমাকন্ত, সেক্রেটরী সিংগম প্রিয়ানন্দ, জোইন্ট সেক্রেটরী লৈথাংবম বিনয়, ত্রেজর প্রিটর খেত্রিময়ুম অমসুং মেগা কোন কম্মুনিকেসন লিমিটেদকী ডাইরেক্টর রঞ্জন জেনসু শরুক য়াখি।













Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Acting Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibaknews@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*